


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, AUGUST 31, 2018 PAGE 7



চথরিবা এসিয়ান গেমস অসিগী নুপীগী মিটর ১৫০০ গী লমজেলদা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী এঠলিট পি য়ু চিত্রা

য়ুএস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান স্পেনগী রাফেল নদাল




# নুপাগী মিটর ১৫০০ লমজেলদা ইন্দিয়াগী জিনসন জোনসননা গোল্ড ফংখ্রে, নুপীগী ৪x৪০০ রিলেদা থংননা মঙারকশুবা গোল্ড লৌখ্রে, চিত্রা অমসুং সিমা পুনিয়াসু মেদল টেলিদা ব্রোঞ্জ অমমম হাপচিনবা ঙমখ্রে

*পালেমবাং । জাকর্টা, ওগষ্ট ৩০ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপা এথলিট জিনসন জোনসননা মিটর ১৫০০গী লমজেলদা গোল্ড মেদল ফংখ্রে, ইন্দিয়াগী নুপী রিলে টিমসু থংন-থংননা মঙারকশুবা গোল্ড মেদল লৌখ্রে, চিত্রা অমসুং সিমা পুনিয়ানা মেদল টেলিদা ব্রোঞ্জ অমমম হাপচিনবা ঙমখ্রে।

ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্থু ওইরগা চথরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমস অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ১৫০০গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী জিনসন জোনসননা ৩ঃ৪৪.৭২ সেকেন্দদা চেন্দুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।



*নুপাগী মিটর ১৫০০গী লমজেলদা গোল্ড ফংখ্রবা জিনসন জোনসন*

নুপাগী মিটর ১৫০০গী লমজেল অসিদা ইরানগী আমির মোরাদিনা ৩ঃ৪৫.৬২ সেকেন্দদা চেন্দুনা সিলভর মেদল ফংখি। ব্রোঞ্জ মেদলনা বাহারেনগী এথলিট মোহমেদ টিওলিনা ৩ঃ৪৫.৮৮ সেকেন্দদা ফংবা ঙমখি।

নিংশিংবা য়াই জিনসন জোনসননা ঙরাং পাঙথোকখিবা মিটর ৮০০গী লমজেলদা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা এথলিট মঞ্জিৎ সিংহ মরিশুবা তাহৌখি। পনবা য়াই মঞ্জিৎ সিংহনা ঙরাং পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ৮০০গী লমজেলদা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ৪X৪০০ রিলেদা ইন্দিয়ানা ৩ঃ২৮.৭২সেকেন্দদা গোল্ড ফংদুনা গেমস অসিদা থংন-থংননা মঙারকশুবা ওইনা মেদল অসি লৌবা ঙমখি।

মিটর ৪X৪০০ রিলে ইভেন্টদুদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী এথলিটশিং অদুদি হিমা দাস, এম আর পুরভামা, সারিতাবেন গায়াকৱাদ অমসুং বিষময়া ভেলুভা কোরোথনি।

নুপীগী মিটর ৪X৪০০ লমজেল অসি ইন্দিয়ানা ইং ২০০২দগী হৌরগা লেপ্তনা লৌরকখিবনি।

ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেদলনা বাহারেনগী টিমনা ৩ঃ৩০.৬১দা লৌরগা ব্রোঞ্জ মেদলনা ভিয়েটনামগী টিমনা ৩ঃ৩৩.২৩দা ফংখি।



*নুপীগী দিস্কস থ্রোদা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রবী সিমা পুনিয়া*

ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্থু ওইরগা চথরিবা এসিয়ান গেমস অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী দিস্কস থ্রো ইভেন্টতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী সিমা পুনিয়ানা মিটর ৬২.২৬ লংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি।

মশাগী চহি ৩৫ শুরবী ইন্দিয়াগী নুপি এথলিট সিমা পুনিয়ানা ঙসি লংখিবা অশানবা অদু চহি তরুক্কি মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। ইভেন্ট অসিদা এসিয়াগী নম্বর ১ এথলিট চাইনাগী চেন য়াংনা মিটর ৬৫.১২দা গোল্ড লৌখি। ব্রোঞ্জ মেদলনা অতোপ্পা চাইনাগী এথলিট ফেং বিননা ৬৪.২৫ দা লৌখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১৫০০গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী চিত্রনা ৪ঃ১২.৫৬ সেকেন্দদা লমথুংফম য়ৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। নিংশিংবা য়াই চিত্রনা ইং ২০১৭ এসিয়ান চেম্পিয়নসিপতা ৪ঃ১৭.৯২ সেকেন্দদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেদলনা বাহারেনগী কালকিদাননা ৪ঃ০৭.৮৮ সেকেন্দদা ফংখি। ইভেন্ট অসিদা বাহারেনগী অতোপ্পা এথলিট টিগিষ্ট বেলেনা ৪ঃ০৯.১২ সেকেন্দদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

হোক্কি ঃ-

নুপাগী হোক্কিগী ঙসি পাঙথোকখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী এস ভি সুনিলনা মেটচকি অরোইবা মিকুপতা ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অমা পাঞ্জল চলহৌদবদগী মালেসিয়ানা পেনালটি সুট আউটতা ৭-৬তা মায়থিবা পীরমখি।

সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা হৌবদগী টিম অনিমক অকনবা লম্বা মায়োক্লুরকখি। অহানবা হাল্ফকি অপীবা মতমদা টিম অনিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনিশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটকিনা ৩৩শুবা মিনিটতা ইন্দিয়ানা ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অমদা হরমনপ্রিটনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১-০দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ৪০শুবা মিনিটতা ইন্দিয়ানা ফংখিবা অতোপ্পা পেনালটি কোর্নর অমদা বরুন কুমারনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা মেটচ অদু মায়পাকপগী লম্বেল শেমখিবনি।

ইন্দিয়াগী অনিশুবা পাঞ্জল চনখ্রবা মতুং মিনিট অমা লাম্হোকত্রিঙৈদা মালেসিয়াগী ফাইজাল সারিনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনিমক্কি মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লৈখি। অদুবু শান্নবগী ৫৯শুবা মিনিটতা মালেসিয়াগী রাহিমনা পাঞ্জল অমা চল্লগা ২-২দা মান্নখি।

শান্নবগী অরোইবা মিনিটতা ইন্দিয়ানা ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অমদা এস ভি সুনিলনা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাংহনখিবদগী মেটকি অপীবা মতম লোইশিনখিদুনা পাঞ্জল ২-২দা মান্নরগা লৈখি।

এক্সত্রা টাইম শান্নরকপদসু টিম অনিমক্কি মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্মখিদবদগী পেনালটি সুট আউটতা মায়পাকপা টিম খনবা মথৌ তাখি।

পেনালটি সুট আউটতা মালেসিয়ানা ইন্দিয়াবু ৭-৬দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মালেসিয়ানা ফাইনেলদা পাকিস্থানবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থিবা পীরম্বা জাপানগা শান্নরগনি।

সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌরবা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থানননা ব্রোঞ্জ মেদল মেটচকিদমক সেপ্তেম্বর ১দা শান্নরগনি।

টেবল টেন্নিস ঃ-

টেবল টেন্নিস মশান্নগী নুপাগী সিঙ্গলসকি ঙসি শান্নখিবা রাউন্দ ওফ ৩২গী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী সারাথ কামালনা পাকিস্থানগী মুহমদ আসিম কুরেসিবু ১১-৪, ১১-৮, ১১-৭, ১১-৫তা থোইদুনা মথংগী রাউন্দ চংখি।



*নুপীগী মিটর ৪x৪০০ রিলে লমজেলদা গোল্ড মেডল লৌখ্রবী ইন্দিয়াগী এঠলিটশিং*

নুপীগী সিঙ্গলসকি ঙসি শন্নখিবা রাউন্দ ওফ ৩২গী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী মোমা দাস চাইনিজ টাইপৈগী চেন জয়ুগী মখুৎতা ৬-১১, ৫-১১, ৬-১১,৬-১১দা মায়থিহৌখি।

কেনো এন্দ কয়াক স্প্রিন্ট ঃ-

নুপাগী মিটর ৫০০গী কে ৪ ইভেন্টকি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী নুপা টিম অলবর্ট সেলভা রাজ, চিং চিং সিংহ অরাম্বম, নাউচা সিংহ লাইতোঞ্জম অমসুং প্রোহিট বারোই মাপনশুবা তাহৌখি।

মিটর ১০০০গী নুপাগী কে ২গী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী নাউচা সিংহ লাইতোঞ্জম অমসুং চিং চিং সিংহ অরাম্বম মাপনশুবা তাখি।

কেনো দবলগী মিটর ১০০০গী নুপাগী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী গৌরব তোমার অমসুং সুনিল সিংহ সলাম তরুকশুবা তাখি।

কয়াক সিঙ্গলসগী নুপীগী মিটর ৫০০গী ফাইনেল ইভেন্টতা শরুক য়াখিবী সোনিয়া দেবী ফাইরেম্বম নিপানশুবা তাহৌখি।

নুপীগী মিটর ৫০০গী কেনো দবল ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী ইনাউচা দেবী ময়াংলাম্বম অমসুং অঞ্জলি বাসিসথা নিপানশুবা পোজিসন তাখি।

কুরাস ঃ-

নুপাগী কে জি ৫০গী ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী দানিস শর্ম্মা কুয়েটকি হুসেন মিস্রিগী মখুৎতা মায়থিহৌদুনা মেদল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদে।

সেপাক তাক্রো ঃ-

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী ক্বাদ্রেন্ট মেটচ অমদা থাইলেন্দনা ইন্দিয়াবু ২-০দা মায়থিবা পীরমখি।

ভোল্লিবোল ঃ-

নুপাগী ঙসি শান্নখিবা ভোল্লিবোল মেটচ অমদা ইন্দিয়াবু ম্যান্মারনা ২৫-২১, ১৮-২৫, ২৭-২৫, ১৫-২৫, ১৫-১৩দা মায়থিবা পীরমখি।

**Asian Games 2018: Medals Tally**

| Rank | Nation | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | China | 111 | 75 | 53 | 239 |
| 2 | Japan | 59 | 49 | 66 | 174 |
| 3 | Republic of Korea | 39 | 46 | 55 | 140 |
| 4 | Indonesia | 30 | 23 | 37 | 90 |
| 5 | Iran | 19 | 19 | 20 | 58 |
| 6 | Uzbekistan | 15 | 19 | 19 | 53 |
| 7 | Chinese Taipei | 14 | 17 | 24 | 55 |
| 8 | India | 13 | 21 | 25 | 59 |
| 9 | DPR Korea | 12 | 9 | 12 | 33 |
| 10 | Bahrain | 12 | 6 | 7 | 25 |
| 11 | Kazakhstan | 11 | 11 | 38 | 60 |
| 12 | Thailand | 9 | 14 | 36 | 59 |
| 13 | Malaysia | 5 | 11 | 9 | 25 |
| 14 | Qatar | 5 | 4 | 3 | 12 |
| 15 | Vietnam | 4 | 15 | 16 | 35 |
| 16 | Hong Kong | 4 | 13 | 17 | 34 |
| 17 | Philippines | 4 | 1 | 13 | 18 |
| 18 | U A E | 3 | 6 | 4 | 13 |
| 19 | Singapore | 3 | 4 | 10 | 17 |
| 20 | Mongolia | 3 | 4 | 9 | 16 |
| 21 | Kuwait | 3 | 1 | 2 | 6 |
| 22 | Kyrgyzstan | 2 | 6 | 11 | 19 |
| 23 | Jordan | 2 | 1 | 8 | 11 |
| 24 | Cambodia | 2 | 0 | 1 | 3 |
| 25 | Saudi Arabia | 1 | 2 | 3 | 6 |
| 26 | Macau | 1 | 2 | 1 | 4 |
| 27 | Iraq | 1 | 2 | 0 | 3 |

# স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং য়ু এসকি স্লোনে ষ্টেফেন্স য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নমেন্টকি নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসতা অহুমশুবা রাউন্দ চংখ্রে

*নিউ য়োর্ক, ওগষ্ট ৩০ঃ*


য়ু এস কি সিটি নিউ য়োর্কতা চথরিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নমেন্টতা ৱার্ল্ড নম্বর ১ স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং য়ু এসকি স্লোনে ষ্টেফেন্স মখোয় মখোয়গী লম্বা মায়থিবা পীদুনা নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসকি অহুমশুবা রাউন্দ চংখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকি অনিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগীসু নম্বর ১ সিদেদ ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা কানাদাগী বাসেক পোস্পিসিলবু ৬-৩, ৬-৪, ৬-২দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকি অনিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই আর্জেন্টিনাগী দেল পোত্রোনা য়ু এস কি দেনিস কুদালাবু ৬-৩, ৬-১, ৭-৬ (৭-৩)দা থোইরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকি অনিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ১১শুবা সিদেদ য়ু এস কি জোন ইসনরনা চিলিগী নিকোলাস জেরিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬-৭ (৭-৯), ৬-৪, ৩-৬, ৭-৬ (৭-২)দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

স্বিটজরলেন্দগী শান্নরোই ষ্টান ৱারিনকানা ঙসি শান্নখিবা য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী অনিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ফ্রাঞ্চকি উগো হমবর্টপু অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুং ৭-৬(৭-৫), ৪-৬, ৬-৩, ৭-৫তা থোইরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ চংখি।



*স্পেনগী ফর্নান্দো ভর্দস্কোনা বৃটেনগী এন্দি মুরেবু থোইরবা মতুং খুৎ শোক্নবা*

স্পেনগী ফারনান্দো ভরদাসকোনা ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বৃটেনগী এন্দি মুরেবু ৭-৫, ২-৬, ৬-৪, ৬-৪দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চংখি।

জিওরজিয়াগী নিকোলোজ বাসিলাসভিলিনা ১৮শুবা সিদেদ য়ু এস কি জেক সোকপু ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা রাউন্দদা ৪-৬,৬-৩, ৬-২, ৭-৬(৭-৩)দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ চংখি।

য়ু এস ওপনগী টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপতা অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবী য়ু এসকি স্লোনে ষ্টেফেন্সনা য়ুক্রেনগী অনহেলিনা কালিনিনাবু ৪-৬, ৭-৫, ৬-২দা থোইরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

রুসিয়াগী একাটেরিনা মাকারোভানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকি অনিশুবা রাউন্দগী মেটচতা মাপনশুবা সিদেদ জর্মনিগী জুলিয়া জোর্জেসপু ৭-৬(১২-১০), ৬-৩দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ চংখি।

ক্বালিফাইয়র ওইনা শরুক য়ারকখিবী জেক রিপব্লিককি কেরোলিনা মুচোভানা ১২শুবা সিদেদ স্পেনগী গারবিন মুগুরুজাবু ৩-৬, ৬-৪, ৬-৪দা থোইদুনা অনিশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

১৭শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ু এসকি সেরেনা ৱিলিয়মসনা জর্মনিগী কারিনা ৱিটহোফপু ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা রাউন্দগী মেটচতা ৬-২,৬-২দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চংখি।

য়ু এসকি অতোপ্পা শান্নরোই ভেনস ৱিলিয়মসনা অনিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইটালিগী কামিলা জিওরজিবু ৬-৪, ৭-৫তা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

৭শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা জর্মনিগী টাটজানা মারিয়াবু ৬-২, ৬-৩দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চংখি।

য়ু এস ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকি অনিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্থু লৈবাক য়ু এস এগী সোফিয়া কেনিননা গ্রিসকি মারিয়া সাকারিবু ৪-৬, ৬-৪, ৬-১দা মায়থীবা পীরম্লগা অনিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকি ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা রাউন্দগী মেটচতা বেলারসকি আলিয়াকসান্দ্রা শাস্নোভিসনা ১১শুবা সিদেদ রুসিয়াগী দারিয়া কাসাটকিনাবু ৬-২, ৭-৬(৭-৩)দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চংখি।

জেক রিপব্লিককি পেত্রাকিটোভানা চাইনাগী ৱাং য়াফানবু অনিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৭-৫, ৬-৩দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

# কিগান পেরৈরা এন ই য়ুনাইটেদতা সাইন তৌখ্রে

*গুৱাহাটি, ওগষ্ট ৩০ঃ*

ইন্দিয়ান সুপর লিগকি ক্লব নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিদা মুম্বাই মচা কিগান পেরৈরা ফুল বেক ওইনা সাইন তৌখ্রে।

কিগান পেরৈরা ইং ২০১৬কি জুলাই ৭তা ইন্দিয়ানা লাউসকা শান্নখিবা মেটচ অমদা শরুক য়াবা হৌখিবনি। মহাক্না ইন্দিয়াগী ওইনা রিপ্রজেন্ট তৌবা ৫০৮শুবা শান্নরোইনি।

কিগান পেরৈরানা মহাক্কি শান্নবগী কেরিয়ারগী অহানবা ওইনা মুম্বাই এফ সিদা য়াওখি। চহী মরি লৈরগা গোৱাগী ক্লব সালগাউকরদা মখা তানা শান্নবা য়াওখি।

কিগান পেরৈরা ইন্দিয়াগী মশক নাইরবা ফুটবোল ক্লব দি এস কে সিবাজিয়ানস, বেঙ্গালুরু এফ সি, মুম্বাই সিটি এফ সি অমসুং এটলেটিকো দি কোলকাতানচিংবা ক্লবশিংদা শরুক য়াদুনা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোইনি।

মহাক আই এস এল ২০১৭-১৮গী সিজনদা ইন্দিয়াগী মশক নাইবা ক্লব ওইরিবা বেঙ্গালুরু এফ সিদা য়াওদুনা শান্নরকখিবনি।

# ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর নিতুনা ৱার্ল্ড য়ুথ বোক্সিং চেম্পিয়নসিপকি কে জি ৪৮গী কাংলুপতা গোল্ড লৌখ্রে

*বুদাপেষ্ট, ওগষ্ট ৩০ঃ*

হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টতা চথরিবা ৱার্ল্ড য়ুথ বোক্সিং চেম্পিয়নসিপদা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর নিতুনা কে জি ৪৫গী কেটেগোরিদা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

পনবা য়াই নিতুনা মমাং চহিদা পাঙথোকখিবা য়ুথ বোক্সিং চেম্পিয়নসিপকি কেটেগোরি অসিদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি লোয়ননা এসিয়াগী চেম্পিয়নসু ওইরিবনি।

মমাং চহিদা আসামগী সিটি গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নসিপতা নিতুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী কে জি ৪৮গী ফাইনেল বাউথ অদুদা ইন্দিয়াগী বোক্সর নিটুনা থাইলেন্দগী নিলাদা মিকুনবু য়াম্না লাকচনা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

য়ুথ বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর অহুম ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লি। বোক্সরশিং অদুদি মনিশা (৬৪ কে জি), সাক্সি (৫৭ কে জি) অমসুং আনামিকা (৫১ কে জি) নি।

মনিশানা ফাইনেল বাউটতা ইংলন্দগী বোক্সর গেমা পাইগে রিচার্দসনগা হয়েং থিন্নরগনি।



নুপীগী কে জি ৫১গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী বোক্সর আনামিকানা হয়েং ফাইনেল বাউটতা য়ু এসকি দেষ্টিনি গারসিয়াগা থিন্নরগনি।

নুপীগী কে জি ৫৭কি কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবী সাক্সিনা ফাইনেলদা ক্রোএসিয়াগী বোক্সর নিকোলিনা কাকিককা হয়েং থিন্নরগনি।

চেম্পিয়নসিপ অসিগী সেমি ফাইনেল বাউটশিংদা মায়থিহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌরবা বোক্সরশিং অদুদি জোনি (৬৪ কে জি), আস্থা পাহৱা (৭৫ কে জি) ভাভেস কাটিমনি (৫২ কে জি), আনকিট খাতোনা (৬০ কে জি), নেহা যাদব (কে জি ৮১ মথক) অমসুং সাক্সি গাইধানি ( ৮৪ কে জি)নি।

য়ুথ ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ অসিগী মমাংগী ইদিসনদা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সরশিংনা মেদল ৭ লৌবা ঙমখি। হন্দক্কি ইদিসন অসিদদি মেদল মশিং হেন্না ফংলগনি।